*“থুপখ্রে পেনা নুংশিখোল লোংখ্রে চৈজিং শরিকখোল - করম নঙ্গী কুঞ্জদা শক্লুগনি নুংশিরোল!” - অশাংবম মীনকেটন সিংহ*

## এম পি

**— ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং
লোইশিনবা ঙমগনি থাজদে
লাইরিক-লাইশু হৈরবশিংগী ৱাখলদা
লমদমসে লো লৈত্রে লৌনরে
হায়ৱে অনী ফাওবা হাংদোকপা ঙমদবা
লৈবাকসিবু মালেমদা অনী শুরল্লোই
হৌজিক মণিপুর ঈরাংসে
লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎ
চিন কাংজৈ শান্নদুনা লৈরে
অচুম্বনা লোৎশিন ওইদবনা চুম্নবা ঙাঙলি
অমসু অমসু উশিন্নদা লৈরে
অমসু অমসু তাশিন্নদা লৈনরে।
পোৎ চৈগী মমল অতিয়া পকখ্রে
টেক্স পংলৌদা লৌরগা
ইনাকখুনবা লৈবাক ওইহন্নি খল্লিসে
শক্তি পায়বনি খন্না তৌরিবনি
মীয়ামদি অসুক্কী মতিক পেন্দে
শুপ্নম শাসন অমনি লৌই।
করম্বা মতমদা ঈরাংসে লোইগদগে
পোক্ত্রিবা অঙাংনা ফাওবা হংলে
লন্থী অনীসি হাংদোকপা ঙমদবা
শক্তিদমক পাম্বা মখোয় মীরানে ?
শীজিন্নগদবা মতাংদদি শক্তি শীজিন্নদে
টেক্স লৌবদা শক্তি শীজিন্নরে।
নেশনল হায়ৱে অনী হাংদোকপীয়ু
পোৎ চৈ চিংবা গাড়ী নীংতম্না চৎহল্লু
মণিপুরীশিংগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বীনি
লম্বী ফাওবা নীংতম্না চৎহনবা ঙমদ্রে
মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ৫৪৫ লৈ
মখোয় লৈবগী কান্নবা মণিপুরদা লৈত্রে।
চোইরোলনি ঐগী চোইরোল
খাঙবা ঙল্লক্তবগী চোইরোল
চহী অনী মখায় হেল্লক্লবা ফাওবা
মীয়াম ৱাহনবগী চোইরোলনি
মিৎ উইশিল্লগা পাবীয়ু
নাকোং মেনশিল্লগা তাবীয়ু।

## তাৎতন্ত্র

**— তোলচৌ শমজেৎশাবম**

গনতন্ত্র নত্তে তাৎতন্ত্রনি
লৈবাক অসিদা চৎনরিবা
তাৎ, লৌনম, নমথাক
অমত্তগী শায়োন্নি অহুমসি
শীজিন্নৈ তাঞ্জাগী তুংইন্না।
    মীখলগী মীরেপ ওইবনা
    ভোট খোম্মী তাৎকী ৱাহৈনা
    মীখল মমাঙগী মতমদা
    তাৎ হৈবনা শেল লৌই
    মীরেপ ওইরিবা মীশক্তগী
    ভোটর ওইবা কয়ানা।
লল্লোনবীনা শরি শোল্লি
তাৎকী ৱাহৈ শীজিন্নরগা
হেন্না পাম্নবা অরৈবনা
মানা য়োল্লিবা পোৎশিংদু।
    নাম শোল্লিবা শৈশকপা
    শোরাৎকী পালা ঈশৈদা
    তাৎ য়াওরে মখোয়সু
    শেন্থা য়েংনা শৈশক্লে
    শেন্থা ফজরিমখৈ শকই
    ঈশৈ শাংথ-শাংথনা
    শেন্থা হেক লেপখিবগা
    শৎ হেক্তা লোইশিল্লি।
লাই পানরিবা বামোনসু
তাৎ তৌরে লাইগী মিংদা
মফম অমদা পূন্না
কৎপা য়াবা পোৎলমদু
কৎহল্লে মফম হোং-হোংদুনা।
    ঈলফম য়াল্লগা ঙা য়াম্মী
    থৌওং অদুগা মান্নরে
    তাৎ লৌনম নমথাক
    ফৈ হায়নদে কনাসু
    খ্বাইদৈ ফৎত্রিবা হায়ববু
    তাৎকী লাংদা থুবদুনি।

## খজিক্তং খন্থবীরল্লবদি

**— আর কে মীনা**

অসুম্না ওইরল্লোই পূম্নমক
পূক্নিংসু ৱারৌবা লৈরল্লোই
মীৎকী পিরাংসু শিন্থরল্লোই
পেন্দবসু ফাওরল্লোই
থম্মোয়সু কায়রল্লোই
মীগী থম্মোয়বু হঞ্জিন-হঞ্জিন
কায়হনবা থুগাইবসু ফত্তে।
    হৌজিক্তি অকায়বা কয়াগী মথক্তা
    পেন্দবা অকায়বা কয়া মরোল মরোল অমুক
    নুংঙাইতবা ময়ামসিনা অমুক্কা হেন্না ৱাহল্লি
    ৱাখল থেনমল্লি মীওইববু ৱাহল্লি
    মপু ওইবগী গুন ৱাৎলি কাচিন কোয়া য়ৌদে
    অদুননি ঙসি ওইরিবা ফীভমসে।
খুদিংমক মীওইবদা হান্না তৌফম থোক্তবরা?
অসোমদনা মমিংতা শীজিন্নবীদুনা কান্নবা
লৌবীবগী কন্না ৱারৌদুনা লৈহৌরি
মমিংতা পনবী পনবীদুনা য়েংসু য়েংশিনবীদনা
অসুক চাওখৎলবা মতমসিদা
কাং-খোং চাইহন্দুনা নাতৈ পুতৈ চাদবা
ময়াম অমা থোকহনবসি য়েংনীংদে
কোকলেনশিংদুনা খজিক্তং খন্থবীরল্লবদি।

## নোংথাংগী মৈচাক

**— খাইদেম বোরসিংহ**

মখূৎ অনী নোইর নোইর
মমায় মমিৎ ঙাংশং ঙাং
ককচেং পরেং পরেংদুনা
কুমথরকই উজাওদগী।
    ঙরাংগী নোং-নুংশিৎতুনা
    হুম্বীখ্রবা মচাশিং
    কদায়দনো কদায়দনো
    থিনরক্লি।
হা কাকফৈ লমওনবা
ইচা নিংদুম উবরা
উরিন কোন্থৌ মৈকৌবী
লাংলেন ইচা উরম্বরনে?
    খঙদে খঙদে, উদে হায়বা
    থৱায়সিতং লোৎপদা
    ঐখোয়সু অহিং তূমদ্রিনি।
নখোয়গীতা নত্তে নচা খোমদোনবী
ঐখোয়'সু নুংশি শেৎনরিনি
মোংবা ইহুম মাঙখ্রিনি
অখাক অরাওনা হুমখ্রিনি
অমসু অমসু খুম্নরকই।
    মমিৎ অনী নোংথক্ত'মুক থম
    পাইরিবা চেক্লোদা হংজরক্লি
    চেক্লাও : নঙবু নাইতোম পাইবী
    ওল্লাং মৈশা ইচিন থেম্বী
    ইচাশিং নঙবু উরম্বরনে?
কাকোং কাকোং, তিঙ্গোং কাকোং
কাংকোক কাংকোক...।
পোকপা হৌনা পোল্লকপা
হিংবা হৌনা হিংলকপা
ঐখোয় পূম্বা ৱাহল্লিবা
অখাক অরাও তমথীবা
তাইবঙ কনানা ইরাৎননি।
    ইচা পীয়ু, ইপাং পীয়ু
    তরেৎ শেঞ্জানা থৱায়বু
    শিনবা য়াবরা লুপানা
    ওন্ননীংগদ্রা নুংশিববু
    হিরা মনি মুক্তাগা...?

## ময়াগী ঈপাক অসিদা

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ফজখ্রবা মপূং মরৈ ফারবা
হৈকোল লৈকোলনি মপু মাগী
পোম্বী চেক্লা কয়ানা কাইদোংফম
ওইরদুনা শান্নজরিবা মফমনি।
পাল্লবা ফম্বাক অসিদা
মানি ঐদি বিন্দু অমতনি
অহিংবা থৱায় পানবা জীবশিংগী লক্তা,
কয়াম কুইনা লীলা অসিদা
শরুক য়াখিনি নোংম নোংমগী
থৌদোক ৱাথোকশিংতনা পূন্সিগী
ঈচেলদা তাওথরি ঙসি
হয়েং খঙহন্দনা ঐ।
তারমদাই নুমিৎকী মৈশা
য়াওদ্রবা মঙালদা নীংশিংদুনা
হৌখ্রবা লাইয়ুম হাইদোক্তুনা
শোয়খ্রবা পোগী কাঙলোন
য়েংলুই হাইদোক্তুনা হন্না,
ঙসিদি ঐসে কয়াদা লাইবক
ফখ্রবনো ঐগী থৱায় হকচাংবু
পুরদুনা চৎপীরিবা, মপোক
অসিগী লমনদি শীংঙল্লরোই।

## থৌদোকসিনা

**— চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী**

নুঙ তেকপদবু য়াদবনি শমজিন্নবা
থোৎলবা মীওইবগী থম্মোয়নি
করিগী য়াদনি তাইশিন্নবা
তল্লসি কাউথোকপা ঙল্লসি ঙাকপীবা
ৱাখল তানহৌদবনা শাওনখিবা
শোয়খি-লানখি পূম্বা।
    পোল্লবদি শিগদবা লৈরবা
    মীওইবগী তেল্লবা মপোক্তা
    ঐগীতা ওইবা ৱাখলনা
    পূন্সিবু মমল লৈত মাঙহনবীবা
    মতম চঙনা শেমগৎচরকপা
    মশাইকোন কয়াবু উৎ ওলহনবীখ্রবা!
পীক্লিবা নাৱাশিংনা য়েংলি তঙক
খোল্লাং থক্লা মমাগী মতম্বাকথক্তা
খঙদে করিবু খল্লিবা মখোয়না,
কুমজা কয়াগী মতুংদনো
মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্কদবা
কৈদৌঙৈনো মোমোন মীনোক তমগদবা।
    নীংবা কায়রবা পূন্সি কয়াদি
    ঙাইরি পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ্তুবু
    ওক্কদবগী ইখৌ লাংনা
    হন্দক খঙহৌদা থোক্লিবা থৌদোকসিনা
    ওইহল্লে পূন্সি কয়াবু মহাও য়াওদ্রবা।

## নোংমদি শোয়দনা চৎকনি

**— নাওরেম মঙ্গি**

    নোংমদি শোয়দনা চৎকনি
    কান্নদবা পোলাংসে থনল্লগা
    উদবা মফম অদুদা।
    উরিবা লন-থুম পূম্নমক
    ময়াগী লাংনি খঙলক্কনি।
পঙনা পানবা তাইবঙমী
মালেম পৃথিবী পূম্বসে
মীওইবা খক্কী নত্তে।
অতৈ জীবশিংগীসু য়াওরিবনি
মপু লৈরি কাউগনু।
    মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা
    ৱাৎতনবা থল্লল্লবা লনগৈশিং
    জীবশিংগী থৱায় ওইরিবনি
    হিংনবগী নীংথিরবা লৈকোলসে
    লান্থেংননবগী লানফম ওন্থোক্কনু।

# সঙাই ফেষ্টিভেল করিগীদমক মীয়াম্না পাংথোকহন্নীংদবনো?
# মণিপুরদা আই দি পি হায়বা মীওই কাঙলুপ অমা তোঙান্না লৈরব্রা ?



**মতম মতমগী ৱাখল**

## মাখোনমনি মোংসাবা

সঙাই ফেষ্টিভেল হায়দ্রিঙৈদা মণিপুর টুরিজম ফেষ্টিভেল হায়না কুমশীং ২০১০দা ইহান হান্না ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা, হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাংথোকখি। ঐহাকনীংশিংলি, ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা নেষ্ট এদভর্টাইজিং এন্দ মার্কেটিং প্রাইবেট লিমিটেদ কৌবা ফার্ম অসিগী মেনেজর কৃষ্ণন (কৃষনন)না নোংমা মীওই খরগা য়ূমদা লাকপীদুনা মণিপুর টুরিজম ফেষ্টিভেল কৌবা অমা অহানবা ওইনা পাংথোক্কদৌরি মীফম অমা য়াওবীয়ু তাকপীরখি। ঐহাক্কা কৃষ্ণনগা হান্না খঙনজবা নত্তে। উরিপোক নাওরেমথোংদা ঈপাথৌকোক হায়বা কলচরেল ওর্গেনাইজেসন অমা লৈরি। ঙল্লিঙৈগী মতমদা লেপ্তুনা নাৎকী থৌরমশিং খুল্লং ঈশৈ,পেনা ঈশৈ,মূক্না তকখৎনবা অমদি অতৈ নাৎকা মরি লৈনবা অচৌবা থৌরমশিং লেপ্তুনা ফেষ্টিভেলশিং পাংথোক্তুনা লাকখিবা মতম অমা কাঙলুপ অসিনা ওইখি। মদুগী ৱাখল্লোন খঙবীবদগী টুরিজম ফেষ্টিভেলগী থৌরমশিং করম্না পাংথোকসিগে হায়না তান্নবা, উন্নবা লাকপীখিবনি। ইশামক্কা মীওই খরগা বাবুপারাদা লৈবা নেষ্ট এদভর্টাইজিং এন্দ মার্কেটিং প্রাইবেট লিমিটেদ অসিগী ওফিসতা মীটিং অমা অহানবদা ফমখি। মরুওইনা মূক্কা অমদি শাগোল কাংজৈ শরুক য়ানবা অমদি অতৈ কলচরেল প্রোগ্রামশিং করম তৌসিগে হায়না খন্নখি। অনীশুবা মীফম অমুক অথুবদা, ঙসিগী ক্লাসিক হোটেল অসি হায়দ্রিঙৈ হোটেল ইম্ফাল অশোক হায়না খঙনরিঙৈদা মতম অদুগী টুরিজম ডাইরেক্টর মশা য়াওনা হোটেলদা কূপ্পা খন্ন-নৈনখি। মতম অদুদা ফেষ্টিভেল অসিগী এদার্ভর্টাইজিংগী মরুওইবা থৌদাং লৌবীখিবসি ঐনা খঙজখিবদা নেষ্ট এদভর্টাইজিং এন্দ মার্কেটিং প্রাইবেট লিমিটেদকী থৌবু কৃষ্ণন অমদি নেষ্টকী মীওইশিংনা ওইখি। অহানবা টুরিজম ফেষ্টিভেলগীদমক কন্না চেনবা য়াওখিবসি নেষ্ট এদর্ভর্টাইজিংগী থৌবু কৃষ্ণনসি অমনি। মহাক্না অমুক শিন্নবীরকপগী মতুং ইন্না ইম্ফালগী কাংজৈবুংদা ঈপাথোকোক্না মূক্না মশান্না অসি উৎনবগী মরুওইবা থৌদাং লৌখি। অসুম্না অহানবা টুরিজম ফেষ্টিভেল অসি অহানবা ওইনা য়াম্না চম্না মায়পাক্না পাংথোকপদা শরুক য়ামিন্নরকখি।

কুমশীং ২০১১ দগীদি অহানবা হায়রম্বা টুরিজম ফেষ্টিভেলগী মহুৎতা সঙাই ফেষ্টিভেল হায়না ওনখি। থৌরম শিনবীবা মীসু অতোপ্পা মীওইশিংনা ওইখি। ফজনা চাউনা পাংথোকখি। মমিংখক ওনখিবগী ৱাতনি, থৌরমগী মপুদি ডাইরেক্টোরেট ওফ টুরিজমনি। মরুওইনা টুরিজম চাউখৎনবা পান্দমদা শিনখিবনি। মীয়াম্না পাম্না অমদি মরুওইনা শরুক য়ারকখিবনি। লেপ্তুনা কুম খূদিংগী নবেম্বর ২১দগী ৩০ ফাওবা, নুমিৎ ১০নি চূপ্পা পাংথোকপা অচৌবা ফেষ্টিভেল ওইরকখি। হৌরকপদা ইম্ফালগী কাংজৈবুংদা খকপাংথোক্লম্বদু, মফম অহুম মরীদা হোং হোংদুনা পাংথোকপা হৌরকখি। ইম্ফালগী উরিপোক লম্বোই খোংনাংখোংদসু মফম অমা ওইনা পাংথোকপা য়াওখি। মীনা চিক্না চাইনবা ঙম্মখিদে। টিকেট ব্লেকতা মমল ৱাংনা য়োন্নখি, ফংনখিদে। মদুগী সঙাই ফেষ্টিভেল অদুগুম্বা মীয়াম্না চিক্ন-চাইনবা ঙমদনা য়েংনখিবদু মখা তারকপদা উখিদ্রে। খুমন লম্পাক্ত,মাওদা, উখুলদা কৈবুল লমজাওদসু লোক্তকতা অনৌবা প্রোগ্রাম ময়াম, মখল মখল হাপ্তুনা সঙাই ফেষ্টিভেল মপুং ফাহনখি। কুমশীং ২০২০ দগী ২০২১ ফাওবা অসিমদি মালেমগী ওইনা শন্দোকখিবা কোভিদকী লাইচৎ লাকখিবদগী চহী অনী লেপখি। মসিগী মতুংদগী সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌরম মরাইবক থীবা হৌরক্লে। কুমশীং ২০২৩ অসিদগী কুকিনা হৌরকপা মীহাৎ মীপূন চৎথরকখিবা, লৈপাক্কী ঈরাংনা মরম ওইদুনা অমুক লেপ্পগা লাকখি। হৌজিক কুকিনা তম্পাক্কী মীওইশিংদা খুৎ থারকখিবা মীহাৎ মীপুন নোংমৈ কাপ্লকপা প্রসিডেন্ট রুল লৈরকপদগী লেপ্পখক্তনি। মুক্বদি লোইদ্রি। ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকপীদুনা মীহাৎ-মীপুন নঙখ্রবা কয়াগী ইমুং-মনুংদি, হিংনবা লাঞ্জেন্নরকপনা ঙসি চহী অনী হেল্লবা ফাওবা মাগী মাগী য়ূমশিংদা চঙলুবা ঙমদনা মচি মচিদা হাংবা রেলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা ৱানা লৈনরি। হৌজিকলাক্লিবা ৱাহংসি মসিদগীনি। সঙাই ফেষ্টিভেল করিগীদমক মীয়াম্না পাংথোকহন্নীংদবনো? মণিপুরদা আই দি পি হায়বা মীওই কাঙলুপ অমা তোঙান্না লৈরব্রা ?

মেগী ৩,২০২৩দগী থোকখিবা মীহাৎ মীপুনগী ৱারীসিমদি তরাইনা লৌবা য়ারোই। নোংমৈ কাপ্নবা লেপ্পখিবগী ৱাতনি, শীংনবা ওমখৎনবদি লেপত্রি। ওল্লগা লৈনরিবা ৱামৈনি। হোরেল-হয়েং করি অমুক মখা লাক্কদগে হায়বা ঙম্নদ্রিবনি। ৱাফমসিমদি শাংথনা পন্নীংদ্রি। হায়নীংঙাই য়াম্না লৈ। তম্পাক্কী মৈতৈশিং মাইকৈ কয়াদা কুকিশিংনা থৎলগা থল্লি। নেম্নেল হাইৱে ফাওবা কুকিশিংনা শীংনদুনা চৎহন্দ্রি । মসিগী মরুমদা সেন্টরনা লেপ্লি। য়োংগী তল য়েল্লি । খুদোং চাদবা কয়া চাওনা মায়োক্নরিবা লমদম হায়বদু ওইরি। লৈঙাক লৈত্রে। প্রসিডেন্ট রুল লৈরিবা লমদম্লি। হেন্না খুদোং চাদবা মায়োক্নরিবা, ৱাখলগী লায়না ওইরিবশিংদি য়ূম থাদোক্লগা থৱায় হিংনবা চেল্লক্লিবা মাইকৈ কয়াদগী লাঞ্জেন্নরক্লিবশিংনি। চহী অহুম ফাজিল্লক্লবা ৱাখলনা পোৎলুম পুরবা, শুফম নোম্ফম লৈত্রবা,ময়ুম লৈজদ্রবা মীওই লীশিং হুম্ফু হেনবনি হায়না পানরিবনি। মখোয়না মায়োক্নরিবা খুদোং চাদবশিং অসি মরন্নাই ওইগদ্রা ? মখোয়গী খল্লগা হরাও-কুম্মৈ অমত্তা পাংথোক্তনা লাকখিবনি। করম্না পাংথোক্কনি। চৎনবী অমা ওইনা অৱা-অনা নংলিঙৈ,মীশি-মীনা য়াওরিঙৈদা থৌরম অমত্তা ঐখোয়গী ওইনা পাংথোক্লসক্তে। মীশি মীনা য়াওনরিঙৈ, অৱাবা তারিঙৈদদি ফিঙৌ শেৎনরিবনি। হৌজিকসু মচি মচিদা লাঞ্জেন্নরকখিবা লমদমসিগী মীওই কয়া চাক্লি ফিনিবগুম লৈরি। ৱাখলগী লায়নানা,পোৎলুম পূনরি । য়ূমদা কাংথোন মথক্তা হিপ্পা ফংলিবা ঐখোয় ফাওবা ৱাখলনা অহিং তূম্বা য়ানদ্রবা মতম অসিদা, ফিম্না ফক্লাং খারগা লৈমায়দা থারগা তূল্লিবশিংদি করি ওইরমগনি। য়ূমদা লোইবা হুই ফাওবা নুংঙাইনা ফি থারগা ফুরিৎ অরুম্বা লিৎহল্লগা নিংথম থাদদি কুলহল্লি। নিংথম থাগী অঙৈংবা নুংশিৎনা তপ্পা তপ্পা হুমজিল্লক্লিবা মতম অসিদা কনানা মখোয়গীদমক খনবীরিবগে ? মখোয়গী মরাল করিনো ? মখোয়সিবু অতোপ্পা লৈপাক্তগী চেল্লকপা মীওইশিংলা ? অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা চহী মরী হেন্না পাংথোক্তনা লাক্লবা ১২ শুবা সঙাই ফেষ্টিভেল হন্দক কুমশীং ২০২৫ অসিদা খঙহৌদনা প্রসিডেন্ট রুলগী লৈঙাক মনুংসিদা করিগী দাইরেক্টোরেট ওফ টুরিজম্না নম্ফুন্দা পাংথোক্লিবনো? মসিদি পাপ পূগদবা ফেষ্টিভেল ওইগনি। অতৈ লমদমসিগী ফেষ্টিভেলশিং নিংঙোল চাক্কৌবা, চৈরাওবা,হৈক্রুহিদোংবা কাংনচিংবগা সঙাই ফেষ্টিভেলগা মান্নদবা য়াম্না লৈরি। মীয়াম তঙ্খায় অমনা ৱানা হিংলিঙৈ চৈরকসিদা টুরিজম চাওখৎনবনি হায়দুনা অচা-অথক খরা য়োল্লগা, পোৎ-চৈ ফিরোল খরা য়োলহন্নবগী ষ্টোল হাংহনবা জগোয় খরা উৎপনদি টুরিজম চাওখৎপা ওইথোকলোই। হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। ৱাফম অসি লাকপদা নুংঙাইতবগী পাংথোকহন্নীংদবগী মীয়ামগী খোল্লাও,খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। হৌজিক্তি মূক্নরে করি থোক্লে। ফজরমখ্রবা সঙাই ফেষ্টিভেল ঙসিদি পূমতাক তাক্লে । মীওইবগী পূন্সি মহীং ৱাখলনা নুংঙাইরবা মতমদা পূন্না হরাওনা পাংথোকমিন্নসি হায়জবনি। সঙাই ফেষ্টিভেল য়ানীংদবগী নৎতে। অহানবা হৌরকপদা করম্না হৌরকখি। মীয়ামগী নুংশিনবগী মতেংনা চহী খুদিংগী হেন্না ফজনা পাংথোক্লকখিবনি। মমাংদা শমলপ্পা থমজখ্রে। হৌজিক্তি শীংনবা ওইনা উরকপদা মীয়াম্না ৱারৌরকপনি। য়াদে তৌবীগনু হায়জরবা ফাওবা মদুগী মায়োক্তা চৎথবসি হন্দক তোয়না উবা ফংঙি। মসিগী মাঙজবসি ঐখোয় খঙমিন্নবা চুম্মী।

টুরিজম চাওখৎপা হায়বসি করিনো ? মসিসু খঙমিন্নবা য়াই। হৌজিকপু লাল মরক্তা কদায়দগী কনাগী টুরিষ্টনা মণিপুরদা লাক্কদগে ? নেম্নেল হাইৱে লম্বী চৎপা য়াদে। মোরে লম্বী থৎলি, চুরাচান্দপুর য়ৌশিনবা ঙমদে কুকিনা নোংমৈ পায়রগা থিংলি। ইম্ফালগী ময়োনগী লম্বী অমত্তা নীংথিনা শেমদে। অমত্তা ঙাইরিবা ফ্লাই ওভর ব্রিজগী ইলেকত্রিক বল্বশিং মল্লগা লৈবা য়াম্না উরি অসি ফাওবা শিন্দে। লম্বীদা থাল্লিবা ষ্ট্রিট লেম্পকী বল্ব অচাকপা শিন্দনা অদুম মল্লগা চহী কয়াদগী লৈরি। উরিপোক মাইকৈদা সরক কয়লাস তঙ্খায় থারল্লগা লংথোক্লগা থমলল্লি। অসিগুম্বা ফিভমসিদা সঙাই ফেষ্টিভেলবু টুরিজম চাওখৎনবনি হায়না ঙাঙলিবসি তাবদা নোক্লিংবা ফাওই। লম্বী থোং হান্না ফহনগদবনি। লম্বী শেমদবগী ঙরাং নহাক্ত মাইকৈ কয়াদা ঈরাং হৌরি, লোইদ্রি। ইম্ফাল গুৱাহাটিগী প্লেনগী মমলসু অতিয়া পক্না ৱাংলি। লৌনীংবা মমল লৌরি। মীয়াম কোক্ত খুৎ হাপ্নরি। মমল হন্থন্নবসু শিনবীদে। হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিভেলগী মোটৌসি করিনো ? করম্বা পান্দমদা পাংথোকপীবনো ? গভর্নর মমাংগী লম্বীগী মেরিডিয়ানদা বল্ব মচা খরা থানজিল্লগা সঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক ইম্ফাল সহর কেরিবনি হায়রি । হয়েং ফেষ্টিভেল লোইখিবগা উশা ৱাশাদা পল্লগা, য়াল্লগা থাল্লিবা ইলেকত্রিক মরি মরাং ময়াম লৌশিন্দা লম্বীদা তারগা মতৎ মতৎ লৈহৌগদবা অদু মিৎতা উরকই। ফেষ্টিবেল অচৌবা উজদ্রিবশিংনদি, ইলেকত্রিক মচা মচা খরা য়ানশিল্লগা শিল্লিবশিংনা থানবসিদা ফজরে খনবা য়াওনরম্বসু য়াই। অচৌবা মপান লমদা পাংথোকপা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াররবা, উরুবা কয়াগী মফমদদি অঙকপা ওইরল্লোই। মমাংগী ফেষ্টিভেলশিংদি ইম্ফাল ম্যান্নার ফ্লাইট সর্ভিস ফাওবা লৈহনখি, জপান্দগী সুমো রেষ্টলর ফাওবা লাক্তুনা ময়ামদা শো উহনখি। ফেষ্টিভেল অমা পাংথোকপা তারবদি অহেনবা অনৌবা খরসু য়াওফমসু থোকই। অহেনবা মশক উহনফম থোকই। মমাংদা পাংথোকখিবদি, মাংজৌনন্না থৌরাং তৌরগা অচৌবা কমিটি অমা মীয়ামগা লোয়ননা শেল্লগা পাংথোকখিবনি। হন্দক্কীসিমদি ৱাখল তানদে। হন্দক্কী ফেষ্টিভেলসিগীদমক ইম্ফালগী হোটেলশিংদা টুরিষ্ট কয়া লাক্লবা বুক তৌরবগে ? কয়াম্না লাক্লবগে মীয়াম্না খঙনীংঙি হায়রক্কনি। তবীরমগনি, থেংনবীরমগনি, মতম খরগী মমাংদা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা টুরিষ্ট চৎতনবা মপান লৈপাক্খরদদি মাংজৌননা লাউথোকখিবসু লৈখিবনি।

মীয়াম্না,ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মদুদি লমদম অসিদা থোক্লিবা মীহাৎ মীপুনগী ঈরাং অসি নেমথখ্রে, ঈং-তপ্পা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লে হায়নবা প্রসিদেন্ট রুলগী লৈঙাক অসিনা মপানগী লৈপাকশিংদা উৎনবা হোৎনরি । মণিপুরগী গভর্নরদা ৱাহং অমা হংনীংলি মদুদি নেম্নেল হাইৱে চৎপা য়াহন্দবসি ইকায়খুম্নজরিবা গভর্নরগী লৈঙাক্কী অইন্না য়াবিরব্রা ? করম্বা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদা নেম্নেল হাইৱে অমবু চহী অহুমলোম কম্যুনিটি অমগী মীওইবু অতম্নমা চৎপা য়াহন্দনবা থল্লিবা অসিগুম্বা লৈখিব্রা? মণিপুরদা,তম্পাক্কী মৈতৈখক খন্দোক্লগা মণিপুরগী মনুংগী হাইৱেগী লম্বীদা চৎপা য়াহন্দবসি অদোম মণিপুরগী গভর্ণর অমা ওইনা করি খনবীরিবগে? নহান মখৈ খঙলমদ্রবসু মণিপুরগী মরমদা ইকায়খুম্নজরিবা গভর্নরনা খঙবীবা খরদি লৈরল্লগনি। লৈনরম্বা মশাগী য়ূমশিং মৈ থাবীখ্রবা, মী কয়া অমনা হাৎপীহৌরবা, মীওই লীশিং কয়ানা রেলিফ কেম্পশিংদা ঙসি ফাওবা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা পূন্সি মহীং অসিবু চুল্লিব্রা? মখোয় অসিবু বংলাদেশকী,ম্যান্মারগী রিফ্যুজি ওইনা উবীরব্রা ? অদোমগী পোক্নফম ষ্টেট অদুদা থোক্লগাদি য়েংলগা লৈবা ঙম্বীগদ্রা ? থোক্লিবা থৌদোক অসি ঐ ঐগী ইশাদা, ইমুং মনুংদা থোকপা ওইরগদি ঐনা করি তৌবা তাবগে ? রাজনিতিগী ৱাদি ঐখোয় খঙদে । মীওইবগী হক, হিংবগী হক হায়বসিগী মতাংদা অদোম্না,ইকায়খুম্নজরিবা গভর্নরনা করি খনবীরিবগে ? থৌদোক অসি মীওই খরতদা,কাঙলুপ অমখক্তদা নত্তে মণিপুরগী য়েলহৌমী খূদিংমক্তনি,অচৌবা শীংনবনি।

য়াম্না ঙকপা অমসু লৈরি। পোপি হায়বসি চুম্নগী লৈ নত্তে । মসিগী মহৈদগী হিরোইন, কানি শুংদোক্লগা ময়াই কারবা নিশা কয়া শেল্লি । মসি লৈপাক অসিগী আইনদা য়াদে, মালেমগী ওইনসু য়াদে । মসিগীদমক তোঙানবা আইন ফাওবা শেল্লগা থিংনবা হোৎনরি। মণিপুরদদি চীংগী লমশিংদা কুকি হায়বা কাঙলুপ অমনা ফোংনা চীংমায় চীংমায় থারি হায়বসি মেদিয়াদগী ঐখোয়না উরি,খঙলি। মসি আইনগী ৱাংমদনি অদুবু আইন অদু কুকিশিংগী মথক্তা শীজিন্নবা,চৎনবা ঙমদে। লমদম অসিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী হৌরকফমসু মসিনা ওইরি। লৈঙাক্কী ইন্তিলিজেন্সশিংদি খঙবীরমগনি। য়াদে হায়রগসু কুকিনা মখৌ পোংনা, উশিৎতনা ফোংনা হঞ্জিন হঞ্জিন চীংমাইশিংদা থারিবসি মখোয়গী তুংদা ঙাক্লৌ অমা লৈবগীনি। চৎতবা য়াদবগী মমিংতগী সেক্যুরিটিশিংনা য়াম্থৎপা চৎলিবনি । তন্দে মান্দে ৱাশনাই অমা পায়রগা হাইবা চৎলিবসিদগী খঙবা ঙম্মী। কুকিশিংনা অমুক হেন্না পাক শন্না নোক্লগা পোপি পাম্বীশিং থারি। মীশিং অসি শেল ফংলবদি লোয়না ইয়া য়াবগুম উরি। মসিনা নাকল অমা ওইখ্রসনু। অচৌবা ইফুৎনি মেনবা ৱাখিনি।

ফেষ্টিভেল অসি মখা অসুম চৎথরগদি মীয়ামগী ইহৌদি লেপখিরোই। খরা ইংথবগুম তুমিন্না লৈরিবা মীয়াম , ফেষ্টিভেল অসিনা অমুক কাইহৌবগুম থোক্লিবসি লাইবক থীবনি। কেম্না নোক্কে তৌবদা অমোৎপা চোংথোক্লকই হায়বদু তারে। লৈপাক মীয়ামগী অপাম্বসি ঈং তপ্পা লমদম অমা ওইহনবনি। মণিপুরদা আই দি পি হায়বা মীওই কাঙলুপ অমা লৈবদৌনা উহনবসি নুংঙাইতে। নেম্নেল হাইৱে দা নীংতম্না চৎপা য়াহনবা অসিগা লোয়ননা য়ূমদা হঞ্জিনবা ফংহনবা হায়বসি অহানবা খোঙথাং ওইরগন্দা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। মীয়ামগী ওইবা লৈকংগী সুনামি অমা লাক্লগাদি ঐখোয় হেন্না ৱাগনি। মসি থোক্তনবা ঐখোয় হোৎনমিন্নসি । ●

**ৱারী ককনাউ**

## পকচবনা লোইরেহে

“ঐখোয় তাচৌ লৈবিব্রো? সিবু ঐখোয় তাচৌগী য়ূম নৎত্রো?”

য়াম্না ঈং-তপচবা মানবা মশাগা নাঞ্জবা নুপা অমনা থোঙ্গালদা অতাঙবা অচৌবা গাড়ী অমা খাল্লগা মখোঙনা চঙলক্লগা চুরি তাফমদা লেপ্পগা কৌরকপনি। মায় মনাক্তা খজিক খজিক লাপ্তুক-লাপ্তুক নুপা অহুম অমসু গাড়ীদুদগী কুমথরক্লগা মমিৎ-মনা য়াম্না শিংনা লেপ-লেপ্তুনা লৈবা উই। খোঞ্জেলদু হায়রপ খঙবা মাল্লি হায়না ঐগী থোঙনাওদু হাংদোক্লগা য়েংলুবদা উরকপনি। নুপাদু ঐনা য়াম্না চিংনবা মী অমদি মাল্লি। মমায়দু ইমুংলোমদা লৈশিনখিবদগী মশক্তি দাইরেক্ট উবা ফংদ্রে। চিংনরিবা মীদু অমুক ওইরমগদ্রা-ওইরম্মোইদ্রা ঐনা সুম খল্লি। মান্দি য়াম মাল্লি, অদুগা অমুক মাল্লক্ত্রিবনা, মাগী গার্দ, মাগী দ্রেস, মাগী গাড়ী অদুদদি অমুক মাল্লক্ত্রবা। চিংনরবনিনা ঐসু অদুম মিৎ কুপ্তখৈ য়েংই হায় তারেনে। নুপাদুনা য়েনখা-লুখারোমদা হায়ফেৎ য়েংলল্লগা অমুকসু কৌরকপা ঐনা তারি।

“য়ূমসিবু ঐখোয় তাচৌ লৈত্রো?” হন্দক্তি ইমুংলোমদগী ঐখোয়গী ইনে থাবল্লে থোরকই। মঙক্তা য়াল্লিবা ফিদু মকোক্তা হায়রপ কুপ্পগা নুপাদুদা য়েংলগা হায়রকই।

“কনা ওইবিরবনো? কনাগী তাচৌনো?”

“ঐখোয় তাচৌবু য়ূমদা লৈবিদবরো?”

“তাচৌ হায়রিসিবু”

“ঐখোয় তাচৌ”

“য়াম নকশিন্নবদি মাল্লি, ঐখোয়গাইনা, অদুবু ঐখোয় তাচৌ হায়রিসিবু ঐখোয় ৱাখল অমা লম্মাংনরেনে, কনাগী তাচৌ ওইরবনো হংবীরিসি, মমিং অমুক্তা হায়বীয়ু”

ঙাঙনরিবা ৱাদুদা ঐদি পাউখোং নুংঙাইবা অমা চন্নবদৌনা নুংঙাইনা তারি। ঐগী য়ূমগী থোঙনাওগা লাপ্নদ্রে অদুনা ময়েক শেংনা তাই। শাইজিন-শাইজিন লোন্নবা য়ূমনিদনা অদুবুদি। লাল্লিবা নুপাদু ইনে থাবল্লেগী ৱাদু তাবদা হায়ফেৎ তরং চৎপা মাল্লি। খন্থরগা য়ারক্তা ঙংলপ্না খুল্লকই।

“ঐনা হায়জরিসি ঐখোয় তাচৌদুনি”

“হোয়নে নোই তাচৌদু করি মমিং কৌগে হায়বনিনে ঐনা অমুক হংলিবনা”

ঐখোয় তাচৌগী মমিংদুবু উম...উম... তাচৌ অদুম কৌইদা”

“ঐখোয় ইমুংদদি তাচৌ কৌবা মী লৈতে” ইনে থাবল্লেদু ৱারৌরপ তৌরগা ইমুং চঙগে তৌনা মমায় লৈশিল্লকপদা, নুপাদুনা অমুক খাম্মী।

“অমুক্তা ঙাইবীখোবা”। ইনে থাবল্লেদু মমায় অমুক লৈথোরক্লগা হংই,

“করি?”

“তাচৌ হায়রিসি, মী খরা পীক্লপ তৌবা, আনোক্কসু উপকনবা, মশাসু খরা পারপ তৌবা... নত্তে, থারপ তৌবা... ইদাক্কসু ফজনা পায়বা... ৱা ঙাঙবদগা চাউনা-চাউনা ঙাঙবা... অহ... কৈনো... আ... ঔ অদো, অদোনে হায়রিসি”

“ঐসি সুম শাওরক্কদৌরে, ঐসে থাবল্লেনি, ঙাইহাক্তনি ঐনা লৈনম নুংশিবা য়েনবা। শাওদোরক্লগাদি খজিক মনম নমথীরক্কনিকো। নঙগী উম আ... উম আ... গদু সিদা য়ারোই। হায়য়ু নঙ কনানো? নঙ শেল খায়বা লাকপা মীরা? নৎত্রগা নঙ থনারা, পুলিস, সিফাইরা, আর্মিরা? শেংনা হায়য়ু, নৎত্রদি কয়া জুগোৎ চারোই”

নুপাদু হন্দক্তি খরা খোন ৱাংখৎলক্লে।

“কৈনো হায়রিসিবো?”

“কৈনো হায়দি কৈনো?” ইনে থাবল্লেসু ভোল্যুম লৈখৎলক্লে।

“চুম্না ইমুংসিদা অদু কৌবা, অদা কৌবা লৈব্রা, কায় চখোকখি হংবসু নত্তা, শুকখঙ খঙদবা মী অমা ঐখোয় তাচৌ গাইনা হেক হায়জিল্লগা নঙনা সিদা থোক মোক তৌবা লাক্লি নৎত্রা? অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী ভোটকী মার্কাদুনা কল্লুরা? অদু ঙমদবা মীনি হায়না খনব্রা? ঐসে থাবল্লেনি থাবল্লে?”

“কান্নদেদা ঐসু মুন্না খঙজৈদা, ইতৈমসু ঐনা খঙই, ঐখোয় তাচৌসু ঐনা খঙই। ঙাইহাকসিদা মিংদু কাউথোকখিবৈ ৱানি। ঐনা লাক্লিবসে...”

“কৈদৌ লাক্লিবা?”

“ভোট নকশিল্লক্লে হায়দনা লাকপৈ ৱানি, শেল খরা পায়জহৌ হায়না লাকপীবৈ ৱানি, য়াদ্রগদি য়াদ্রেদনা। এজেন্ট অমা ওইহৌরদি লৈকায়সিগী করিগী অতৈ অতৈ আই-জাই লোইনা শিন্নবা য়াইদনা অদুই ৱানি। ফরে ফরে অতোপ্পা অমা ওইনা উন্নরুরগে?”

“ঙাইখো নঙ কনানো?”

“ইহ ঐবু খঙদ্রো?”

“খঙদদনা হংলিনি, নঙ কনানো হায়দু হায়য়ু”

“ঐ মিনিস...গী মনাওনি কৈনো?”

“ওহ নঙবু...অ...দু....রো?

“মানি কৈনো”

“য়াম হোংঙম্মেনে, নশক্কা খঙলুদ্রে, সিক্যুরিটি-ও করি-ও?”

“হোং তাবনি কৈনো? সিদবু হোংগে হায়দনা ইয়াম্বনা ভোট লেপ্পগা কারিনি, কারগা কৈনো মিনিস... ওইরিনি”

“ইস পকচবনা লোইরেহে। নোইদি নহানখৈ কাই চৎলুই”

“মপান্দা, দেল্লীদা খরা, বেঙ্গলোরদা খরা, চেন্নাইদা খরা... ঐখোয় য়ূম য়াম লৈরে কৈনো। য়ূম ঙাক্তা থাদোকপা য়াদবনিনা থা খরা, চহী খরা সুম-সুম কোইনা চৎতুনা লৈবনি”

“হৌজিক মতম য়ৌরক্তুনা লাক্লি নৎত্রো”

“মানি মানি”

“ইবেম্মা দেল্লীগী অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী ভোটকী সিম্বোলদো ফক্লাং কাচিন্দা ঙারগা লৈহৌবনি, থুনা পুথোরকউ অমুক্তা, থবক তৌগে?”

“হেরা নাতৈ চাদবা, ফৈ ফৈ খঙনিদনা অদুবুদি” থুনা শুমাংদগী থোঙ্গাল্লোমদা থোকখি। মাগী সিক্যুরিটিদুসু মতুং ইন্নরগা থোঙ্গালদা খাম্বা গাড়ীগী থোঙ হাংদোক্লগা মরী-মরী কাখৎলগা থুনা থোকখি।

“ইস! পকচবনা লোইরেহে, শক্তাসিগা। নোই হন্দক্তি খঙনিদনা অদুবুদি...” ইনে থাবল্লেদুসু ইমুংদা চঙখ্রে। ঐ থোঙনাওদু থিংজিল্লগা, ফমুংদা ফমথরগা ইথক্তা নোকপসি-নোকপসি... ইপুম হে থিৎপনি কৈনো। ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।